# জিম্বাবরে মীখলদা জানু পি এফনা অয়াম্বা সিট ফংলি, ভোট মশিং থিবা মখা চত্থরি



হরারে, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

জিম্বাবরেগী মীখলগী ভোট মশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হৌজিক ফাওবদা জিম্বাবরেনা মনিং মখা তল্লকপদগী লৈঙাক পায়দুনা জানু পি এফ পার্টিনা সিট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইরি।

প্রসিদেন্ট ইমরসন মঙ্গৱাগী পার্টি অদুনা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ওইবা য়াবগী ফীভম লৈরে। রোবার্ট মুগাবে তাল্লোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা অহানবা মীখল পাঙথোক্লি। প্রসিদেন্ট মীখল মপুং ফানা থিবা লোইদ্রি। অদুম ওইনমক জানু পি এফনা চপ চাবা মেজোরিটি ফংবগী ওইথোকপা য়াবা ফীভমদা লৈরে হায়রি। ওপোজিসনগী এম দি সী এল্লাইয়েন্সনা ফোঙদোরকখিবদা, মীখল অদু অরানবা কয়া তৌখি। মখোয়গী মীরেপ নেসন চামিসানা মায় পাকফম থোকপনি হায়রি।

জিম্বাবরে ইলেক্টোরেল কম্মিসন (জেদ ঈ সী) না হৌজিক ফাওবগী ওইনা জানু পি এফ পার্টিনা সিট মশিং ১১০ ফংলে। অদুগা এম দি সী এল্লাইয়েন্সনা সিট ৪১ ফংখ্রে। লৱার হাউসকী ওইনা নেসনল এসেমব্লী অদুগী সিট ২১০ লৈ। হন্দক্কী মীখল অদুদা মীওই মিলিয়ন ৫ না ভোট থাদবগী মিংদা চনবা ঙমখি। ভোট চাদা ৭০ গী চাংদা থাদনখিবগা লোয়ননা ভোট থাদনবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা অমা ওইখি। ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর জেদ বি সীনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, ইলেক্টোরেল কম্মিসন্না প্রসিদেন্টকী রিজল্ট লোকেল টাইমগী পুং ১২:৩০ তাবদা লাউথোক্লবা য়াই।

লেমহৌরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিট মশিং থিবসু লোইশিল্লক্লগনি। ইলেক্টোরেল কম্মিসনগী হেদক্বার্টরসকী অকোয়বদা রাইওট পুলিসকী অখন্নবা য়ুনিট অমনা ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে। প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অমনা মায় পাক্নবগীদমক সিট মশিং চাদা ৫০ ফংবা তঙাইফদে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) না ভোট মশিং থিবা অমসুং রিজল্ট লাউথোকপদা তপথবগীদমক য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউ মতুংইন্না মীখল অদুদা ভোট থাদনবগীদমক মীওই মিলিয়ন ৫ রেজিষ্টার তৌখি হায়খি।

# মেক্সিকোগী প্লেন অমা কায়খ্রে, অঙকপা অমা ওইনা মীশি-মীনা নংহৌদ্রে



মেক্সিকো, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

মেক্সিকোগী মীওই ১০৩ তোংবা প্লেন অমা দুরাঙ্গো ষ্টেটতা কায়খ্রে। প্লেন অদু মফম অদুদগী হেক পাইখৎখিবগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না এরো মেক্সিকো ফ্লাইট অদুদা ক্রু মেম্বর অমসুং পেসেঞ্জর য়াওনা মীওই ১০৩ তোংখিবনি। লাইবক ফবদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা শিখিদে। অদুম ওইনমক মীওই ৯৭ দি অশোক অপন নংখি হায়রি।

ষ্টেট গভর্ণর জোস রোসাস এসপুরোনা ফোঙদোকখিবদা, প্লেন অদুনা লৈমায়দগী পাইখৎখিবদা অকনবা নুংশিৎকী শাফু অমগা থেংনবনা মরম ওইরগা খঙহৌদনা লৈমায়দা তাশিল্লকখি। প্লেন অদুগী ওইথংবা মশানা লৈমায়দা থেংনখি। লোয়ননা প্লেন অদুগী ইঞ্জিন অনী অমাঙ অতা থোকখি। প্লেন অদু মৈ হৌদুনা চাক্লক্তিঙৈগী মমাঙদা মনুংদা তোংলম্বা মীওই খুদিংমক চেঙ্থোকপা নংহৌখি। এরো মেক্সিকো ফ্লাইট এ এম-২৪৩১ অদু গুৱাদালুপ ভিক্টোরিয়া ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবনি। মেক্সিকো সিটিদা লৈবা এয়রপোর্ট অদুদগী লোকেল টাইমগী পুং ১৬ তাবদা পাইখৎখিবগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

অহানবা ওইনা ফংবা পাউদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ১০৩ গী মনুংদা ক্রু মেম্বর মরি য়াওনা মীওই ৯৭ অশোক অপন নংখি। প্লেন অদুদা পীক্লিবা অঙাং অনীসু তোংখি হায়বা খঙবা ঙমখি। প্লেন অদুগী পাইলোট অনীগী মনুংদা অমদি ফীভম লুনা শোকখি হায়রি। অদুগা অতোপ্পা নুপীমচা অমনা মৈনা শোকহনখি হায়রি।

শোক্লবা মীওই ৯৭ মক হোস্পি-টালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মীওই অয়াম্বদি কা হেন্না শোকখিবা নত্তে হায়রি। প্লেন অদুদা তোংখিবা জেক্লিন ফ্লোরস কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, প্লেন অদুদা করিগুম্বা খুদোংথিবা থোক্লে হায়বা খঙবা ঙল্লকখি। খঙহৌদনা প্লেন অদু লৈমায়দা খংতা তাশিল্লকপনা মরম ওইদুনা প্লেন অদু কায়খি। লোয়ননা মখোয় উপায় অমা তৌদুনা মনুংদগী চোংথোরকখি হায়খি।

# অসামগী নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্সগী ৱাফম বাংলাদেশকা মরী লৈনদে : হসানুল হক

ধকা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

বাংলাদেশতগী কাঙলোন চুমদনা মাইগ্রেন্ট কয়া চঙশিল্লকখ্রে হায়বা ৱাফম অদু অচুম্বা নত্তে হায়না বাংলাদেশনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশকী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর হসানুল হক ইনুনা ফোঙদোকখিবদা, অসামদা থোক্লিবা কাঙলুপকী ওইবা ৱাথোক অদু পুম্নমক্কা খঙই। মদু মতম শাংলবা ৱাফম অমনি। হৌখিবা চহী ৪৮ গী মতম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা কাঙলোন চুমদনা মাইগ্রেন্ট চঙশিল্লকপগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পুখৎলকখিবা লৈত্রি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কা য়েংশিনগদবনি। অচুম্বা মওংদা ৱারোইশিন পুরকপা চুমগনি। অদুম ওইনমক বাংলাদেশকদি মরী অমত্তা লৈনদে হায়খি।

ইন্দিয়াদগী বাংলাদেশকী ইলিগেল সিটিজনশিং অমুক হন্না পুরকপগী ৱাফম লৈব্রা হায়না হংবা ৱাহং অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, হৌজিক ফাওবগীদি ইন্দিয়ানা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্সকী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পুখৎলকপা লৈত্রি। এন আর সীগী ৱাফম নৎত্রগা ইস্যু অদু বাংলাদেশতা ইন্দিয়ানা খঙহল্লক্ত্রি। ৱাফম অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা খঙহল্লক্ত্রিবা ফাওবদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লিংদে হায়খি।



ইনুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বাংলাদেশতা বেঙ্গোলি ঙাঙবা মীওই কয়া লৈ। মখোয়গা পাউ ফাওনবসু য়াগনি। অসামদা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্সগী ড্রাফ্ট বিল ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা পোলিটিকেলগী ওইবা শাফু কয়া লাক্লি। ফাইনেল ড্রাফ্ট অদুদা মীওই লাখ ৪০গী মিং য়াওদ্রে। মীওই ক্রোর ২.৮৯ না লৈবাক অদুগী সিটিজন ওইনবা এপ্লিকেসন থারকখি। ইন্দিয়া মনুংগী ওইনসু হৌজিক ওইরিবা এন আর সীগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরিবনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা বি জে পিদা অকনবা মরাল শিবগা লোয়ননা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্সগী ৱথোক অসিনা সিবিল ৱার অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখিবা লৈখ্রে।

অসামদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী ৱাফম লৈরবসু মদুগী মরমদা বাংলাদেশনা খঙদে। লোয়ননা মরী লৈনদে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। এন আর সী ড্রাফ্ট বিল ফোঙখ্রবা মতুং ওইরকপা ফীভমশিং অদু বাংলাদেশতা খহল্লকপা লৈতে হায়রি।

# মাচু পিচু ট্রেন ক্রাশতা লম কোয়বা লাকপা মীওই ১৫ শোক্লে

লিমা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

পেরুগী মাচু পিচু মনাক্তা মী পুবা ট্রেন অনী থেংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা লম কোয়বা লাকপা মীওই ১৫ অশোক অপন নংখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী ওইনা লম কোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিনফম ওইরিবা অরিবা মতমগা মরী লৈনবা মাচু পিচু মনাক্তা মায়োক্লনা লাকপা ট্রেন অনী থেংজিন্নখি। করম তৌনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। চহী ১ দা মাচু পিচু য়েংননবগীদমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না লাক্লি। পেরু রেল অমসুং ইনকা রেল কম্পিটিসন তৌনদুনা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা হোৎনরি।

ট্রেন থেংজিন্নবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ট্রেনশিং অদুদগী মীওই কয়া হোন্দোকপগী থবক পায়খৎখ্রে। ইমার্জেন্সিগী অখন্নবা থৌশিল পায়খৎতুনা খুদোংথিবা নংখ্রবা ট্রেন অদুদগী মীওই কয়া লৌথোকপা ঙমখ্রে। লম কোয়বশিং পুবা ট্রেন অনী থেংজিন্নবগী থৌদোক অদুদা ট্রেন অমদি কা হেন্না অকায় অতোয় নংখি। ইনকা রেল ট্রেনদা তোংলকখিবা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, খুদোংথিবা থৌদোক অদু মীয়াম্না রেল ট্রেক্তা ফমজিন্দুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা থোকহনখিবনি। চৎপা য়াদবদগী ট্রেন অদু পুং ১ রোম মফম অদুদা পন্থখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না ট্রেন ওপরেটরশিংনা অমনা অমগী মথক্তা মরাল শিনরিবা অদু খঙদোক্লবা হোৎনরি। লম কোয়বশিং পুবা ট্রেন অনী থেংজিন্নখ্রবা মতুং মীওই কয়া রেল ট্রেক্তা লেপ্তুনা মী কনবা কাঙবু লাকপা ঙাইদুনা লৈনখি। মাচু পিচু হায়রিবা মফম অদু সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ২,৫০০ ৱাংবা মফমদা লৈবনি। ইনকা ইম্পায়রগী মতমদা শেমগৎলম্বা মফম অদু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা শিংথানরিবা খুভম অমনি।

১৫ শুবা চহীচাদা স্পেন্না পেরুবু খুদুম চন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদা খুন দানবগীদমক মাচু পিচু শেমগৎখিবনি। ইনকাশিংগী লোষ্ট সিটি অদু ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোক্তুনা ঙাক শেনখ্রবা অঙকপা অমসুং ফজবা কয়া লৈবা মফম অমনি হায়রি।

# সেন্ট্রেল অফ্রিকা রিপব্লিকতা শকখঙদবশিংনা এম্বুশ তৌরকপদা রসিয়াগী পাউমী অহুম শিরে



বাঙ্গুই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সী এ আর)দা এম্বুশ তৌরকপদা রসিয়াগী পাউমী অহুম শিরে। রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মশক মমিং খঙদোক্লবা সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সী এ আর)কী ওথোরিটিগা পাউ ফাওননবা হোৎনরি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা পাউমীশিং অদুগী হকচাংশিং অদু লৈবাক অদুগী ময়াই থংবা টাউন সিবুটকী লম্বী অমগী মনাক্তুগী ফংখিবনি। এটেক অদু করম্বা কাঙলুপনা চত্থরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক সী এ আরদা মিলিসিয়া কাঙলুপ কয়া এক্টিব ওইনা লৈরিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা লৈবাক অদুদা কাঙলুপ অমসুং লাইনিং লীচৎ মান্নদবশিংগী মরক্তা উংখৎনবা কয়া লাকপনা মরম ওইরগা রিবেল কয়া থোক্লকখি। সিবুটকী মেয়রনা ফোঙদোরকখিবদা, কার অমদা শকখঙদবশিংনা এম্বুশ তৌরকপদা মীওই অহুম শিরে। অদুম ওইনমক কার অদুগী ড্রাইভরদি হিংহৌখি হায়রি।

রসিয়াগী টি ভি চেনেল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, এটেক অদু রসিয়াগী মীওইশিংদা চত্থবা অমনি। সী এ আরদা লালহৌবা কয়া এক্টিব ওইনা লৈরিবনি। সিরিয়াগী লানফম কয়াদা রসিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা রসিয়াগী মীওইশিংনা এটেক অদু চত্থরকখিবনি।

হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী রসিয়ানা সী এ আরদা শিংথানিংঙাই ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎখ্রবনি। এটেক অদু করম্বা মিলিসিয়াশিংনা চত্থখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগী লুচিংবা হাসন রৌহানিগা ৱারী শাননবা ওফর তৌরকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

টেহরান, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগী লুচিংবা অমসুং প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিগা ৱারী শাননবা ওফর পীরকখিবা অদুবু ইরানগী ওফিসল-শিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ থাদা য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা লল্লোন-ইতিক্কী লমদা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রবা মতুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিগা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে।

ইরান ষ্টেট মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, ইরানগী পোলিটিসি-য়নশিংগী ৱাখলদা ৱারী শানবা অদু মগুন লৈরোইদবা অমনি। মীওইববু ওৎ-নৈবগী থৌশিল অমা ওইগনি হায়রি। ইরান্না লৈবাক মনুংগী ওইবা থৌশিলশিং পায়খৎপদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিনখি। ন্যুক্লিয়ার দিলশিং মে থাদা হন্দোকখিবা লৈখ্রবনি। মদুগী মতুং লৈবাক অদুদা সেঙ্কসন কয়া থমজিল্লকখিবনি।

মিদল ইষ্টতা ইরান্না লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা য়ু এসনা চিংনবা মীৎয়েং য়েংলি। য়ু এসনা ইজরেল অমসুং সাউদি অরাবিয়াগা মরুপ মপাং ওইরি। হায়রিবা লৈবাকশিং অদু ইরানগী মায়োক্তা লৈবশিংনি হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়, ইরানগী লুচিংবশিংগা উনবদা নুংঙাইবা ফাওগনি। মখোয়না উনবা পাম্লবদি মীফম পাঙথোক্তুনা মহাক্লা থাজবা মীশিংগা উনগনি হায়খি।

য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা কুমজা ১৯৭৯ দা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে। হন্দক য়ু এস অমসুং ইরানগী লুচিংবশিং উনদুনা ৱারী শানরবদি কুমজা ১৯৭৯ গী মতুংদা অহানবা উনবা ওইরগনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট রৌহানিগী এদভাইজর হমিদ অবৌতালেবিনা ফোঙদোর-কখিবদা, য়ু এসনা ন্যুক্লিয়ার দিল অদু অমুক হঞ্জিল্লক্লবদি দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়রিবা ৱাফম অদু য়াগনি। ইরানগী লৈবাক অমা ওইবগী হক অদু ঈকায় খুম্নগদবনি। মদুগী মতুং ৱারী শানবগী থবক পায়খৎকনি হায়খি।



ইরানগী দেপ্যুটি স্পিকর অলিমোটাহরিনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী ইরনাদা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসনা ইরানগা তৌনরম্বা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী হন্দোকখিবনি। মদু মীওৎ-মীনৈ চত্থবা অমনি হায়খি।

ইরান ষ্ট্রেটেজিক কাউন্সীলগী লুচিংবা কমল খরাজাইনা হায়, ত্রম্পনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদু ভেল্যু লৈরোইদবা অমনি। অমেরিকাগা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবগী থৌরম কয়াদা অফবা ওইখিদবা অদু থেংনখ্রে। য়ু এসকী ওফিসলশিংনা মখোয়না হায়দোকখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎতে হায়খি। কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়ার দিল য়ু এসনা য়ানিংদ্রে। মখোয়না ইরানগী নুক্লিয়ার প্রোগ্রামশিং লাকশিন্নবগীদমক থৌশিল কয়া চখি। মিদল ইষ্টতা ইরান্না মশাগী ওইবা থৌশিল চত্থবদা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঈকায় খুম্নগদবনি। য়ু এসনা ন্যুক্লিয়ার দিল হন্দোকখিবা অদু অমুক হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা ৱারী শানবগী ৱাফম লৈরোই হায়রি।

# স্বিদেনগী কেথেদ্রেল অমদা থম্বা মমল নাইদ্রবা ক্রাউন জ্বেলস স্পিদবোট থিভসশিংনা হুরানখ্রে

স্টোকহোম, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী)ঃ

তরাতরুকশুবা চহীচাদা পাল্লম্বা স্বিদেনগী নিংথৌশিংনা শীজিন্নরম্বা মমল নাইদ্রবা সনা-লুপাগী পোৎলমশিং হুরানখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না লৈবাক অদুগী মমল য়াম্লবা ক্রাউন জ্বেলসশিং অদু কেথেদ্রেল অমদা থম্ননি। মীওই খরনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদগী খরা হুরাল্লবা মতুং স্পিদবোট শীজিন্নদুনা নাম্থোকখ্রে। ১৬ শুবা চহীচাদা পাল্লম্বা নিংথৌ অমসুং রানিনা শীজিন্নরম্বা মমল নাইদ্রবা ক্রাউনশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অহিং নোংয়াইদা হুরানখিবনি।



লৈবাক অদুগী কোনুং স্টোকহোম মনাক্তা লৈবা কেথেদ্রেল অদুদগী শকখঙদবশিংনা মমল য়াম্লবা পোৎলমশিং অদু হুরানখ্রে।

পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোর-কখিবসিদা কেথেদ্রেল অদুদগী মীওই অনী চেঙ্থোরকপা উখি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মীয়াম্না য়েংননবা উৎথোক্লিঙৈ মনুংদা হুরানবগী থৌওং অদু চত্থখিবনি। মীওইশিং অদু মলারেন পাৎতা অয়াংবা হি থৌদুনা চৎখিবা উখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মরাল লৈবা মীওইশিং অদু ফাননবা অকনবা মওংদা থি-হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মী ফাবগী পাউ লৈতে হায়রি। পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় থোমাস একনেভিকনা স্বেদিস মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, অদুগুম্বা পোৎলম অদু মমল নাইদবা অমনি। শেলগী ভেল্যুদা লেপথোকপা হায়বদু ওইথোক্তে। লৈবাক্কী ওইনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মমল নাইদ্রবা অমনি হায়খি।

নিংথৌশিংনা শীজিন্নরম্বা ক্রাউনশিং অদু সনা অমসুং মমল য়াম্বা নুঙশিংনা শাবনি। পোৎলমশিং অদু স্বিদেনগী নিংথৌ চার্লিস ৯ অমসুং কৃষ্টিনানা কুমজা ১৬১১ দা শীজিন্নরম্বনি।

লোকেল ন্যুজ চেনেল অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, মথং চয়োলদা লুহোংগদবা মীওই অমনা থৌদোক অদু হকথেংননা উহৌখি। মফম অদুদগী মীওই অনী চেঙ্থোরকপা উখি হায়রি।

হুরানবশিং অদু খুদক্কী ওইনদি য়াম্না লাপ্পা চেল্লমখিরোই। মখোয়না হৈ-শিংনা শাগুন তৌদুনা পোৎলমশিং অদু হুরানখি হায়না তোম রোয়েলনা ফোঙদোরক্লি। শেংলবা অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নরবা বিল্ডিং অদুদগী হুরানখিবা পোৎলমশিং অদু লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা লন-থুমনি। হুরানবশিংনা লায়না চঙবা ঙমদন-বগীদমক এলাম গ্লাস খাজিন্দুনা থম্ননি। লোয়ননা নীংথিনা ছো লোল্লিবনি হায়রি।

হুরানবশিং অদুনা হৈ-শিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা মমল নাইদ্রবা পোৎলমশিং অদু হুরানখ্রে। হুরানবগী থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিবা লৈতে হায়রি।


### MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 44373 of 2018 & Registration No. 1602724014 issued by BOSEM, on the way from Keirao to T.G. Higher Secondary School on 25/07/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* A. Soniya Chanu
Keirao Khunou

HL-P/5167/2

### ADMISSION OPEN

## ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

*At*

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3380/4/7-3/8


### /পাইলসকী ওজা অব্দুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঙসিদগী চহী ১১ গী মমাংদগী পাইলসগী অনাবনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, মপুং ফাবা ঙমদবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, অমাঙথোংগী মপানদা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোম্বা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবা, চানিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবনি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা লাকচখি। পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮৭৯৪৪২৯৬৮১, ৮০১৪৬২৩৭৫৬** কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ২১ নিদা পাইলস মপুং ফানা ফজখি অমদি চাবা থকপসু মপুং ফানা য়াজখি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* S. JUGEN MEITEI
Mayang Imphal

HL-P/4074/1

### /অমাঙথোংদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু অমুক মশানা হঙ্গৎখিবা, মতম খরা লৈরগা অমুক পোমথোক্লকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশঙনা নাদুনা অমাঙথোংদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু অমুক মশানা হঙ্গৎখিবা, মতম খরা লৈরগা অমুক পোমথোক্লকপা, পোমথোক্লকপা মফম অদুদগী ঈ তারকপা, নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, অমাঙথোংদা চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংবদা ঈ তৈরকপা, অমাঙথোংগী অকোইবদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্লৎচবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা লৈবা, পুক মনুংদা গ্যেষ্ট্রিক অদুনা মরম ওইদুনা কোইচেন চেল্লগা নাবা, থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা, খ্বাঙ নাবা, তাং তাং চিকপা নাবা, নোংম নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, চানিং থকনিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, মসলশিং চিকপা নাবা, তুম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবা :* W. NELSON
Langthabal

HL-P/5119/2